ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



মীতৈ (মৈতৈ) ত্রাইব য়ুনিয়নগী এস গৌরকিশোরনা লুচিংবা মীহুৎ তরুক্না রাজ ভবনদা গভর্ণর উনদুনা ফূরুপ অসিনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়দুনা মরীক চুম্বা রিপোর্ট অমা পীশিনখিবা

হকথেংনবা পাউদম
☛ লামায় ২

মণিপুরগী ঈরাং লোইশিল্লু, হাৎন-শুনবা তোকউ : ডা. নর
লামায় ৩

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)
☛ লামায় ৪

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'
☛ লামায় ৯

মে ৩দগী চথরকখিবা তমথীরবা লাননা থা ৬ ফারকপা নুমিৎতা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোঙদা থৌবৈনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা মৈরা কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎলদুনা অমম্বা নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখিবা



Vol. 47, Issue No. 221 | থাংজ, মেরাগী ২২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, November 04, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## মীতৈ লীপুনগী লুচিংবা প্রমোতচান্দ নোংমৈ মরূ ৬তগী শম্নাদা হিংহৌরে

### মীতৈ ১সুং অপূনবগী শক্তমদা শীংনরকপনি : প্রমোতচান্দ



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) :** য়েলহৌ ফূরুপ মীতৈ অমসুং মণিপুরগী অপূনবা ঙমখৈগীদমক থবক তৌরল্লিবা থোইদোক-হেন্দোক্না মে ৩দগী থোরল্লিবা লান নংলবশিংগীদমক ফৈগাক-ফৈনা লেপ্লল্লিবা মীতৈ লীপুনগী লুচিংবাময়েংবম প্রমোতচান্দ (৫২) অপোকপা এম গৌরমঙ্গোল, চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায়দা লৈববু নোংমৈ মরূ তরুক কাপশিন্দুনা হাৎননবা হোৎনরকপদা শম্নাদা হিংহৌরে।

নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৭.১০ রোম তারকপদা লম্ফেলদগীনা লাঙ্গোল ফাওবগী মরক্তা লৈবা লম্বীগী মফম অমদা থোকখিবনি। মহাক্কী ড্রাইভর জোনি লৌক্রাকপমনা মহাক্কী বোলেরো এম এল-০৫/এ-৭৪১০ থৌরগা মহাক্না নাকলদা তোংলগা লাঙ্গোলদা লৈবা মীতৈ লীপুনগী ওফিসতা মীফম অমা য়াওননবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

## মীতৈ-মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চনবদা মতেং পাংবীনবা গভর্ণরগা হকথেংননা উনদুনা হায়জখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) :**

চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরল্লিবা মীতৈ-মৈতৈবু লৈবাক অসিগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চনফম থোকই হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্তা মরী লৈনবা রেকমেন্দ তৌহনবীনবা হায় কোর্টতা ৱাকৎখিবা মীতৈ (মৈতৈ) ত্রাইব য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংনা ঙসি রাজ ভবনদা গভর্ণরগা হকথেংননা উনদুনা য়েলহৌ ফূরুপ অসিবু এস টি লিষ্টতা চলহনবদা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীয়ু হায়না হকথেংননা তকশিনখ্রে।

য়ুনিয়ন অসিগী এস গৌরকিশোরনা লুচিংবা মীহুৎশিংগী মনুংদা ৱাফম অসিগীদমক হায় কোর্টতা ফাইল তৌখিবা সিভিল রিট পিটিসনদা পিটিস্নর অমা ওইখিবা মুতুম চুরামনিসু য়াওখি।

মীহুৎশিং অসিনা মীতৈ-মৈতৈনা করিগীদমক এস টি লিষ্টতা য়াওরোইদৌরিবনো হায়বগী মতাংদা মরীক চুম্বা রিপোর্ট অমা খুৎশিন্নখি। অদুগা ফূরুপ অসিনা এস টি লিষ্টতা চনবনা মীতৈ-মৈতৈগী অমত্তা ঙাইরবা ঙাক্লৌ ওইগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

লোয়নননা দিমান্দ অসিবু চহী ১০ হেনবগী মমাঙদগী তান্দুনা লাক্লবসু হৌজিক ফাওবদা ফংবা ঙমদ্রি হায়রদুনা গভর্ণরগী মায়কৈদগী ফূরুপ অসিবু এস টি লিষ্টতা চন্নবগীদমক পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংবীয়ু হায়জখি। ৱাফম অসিদা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেগী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগা ৱারী শারগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবগা লোয়নননা য়ুনিয়ন অসিগী মীহুৎশিংদসু দিমান্দ অসি ফংনবগীদমক মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎপীনবা লৈবাক অসিগী সেদ্যুল্ড ত্রাইব কম্মিসনদা হায়জনবা পাউতাক পীরকখি হায়রি।

### কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা আনন্দকুমারগী য়ূমদা চৎতুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

## মণিপুর ইন্দিয়াগী শরুক অমা নৎত্রবরা : ইবোবী



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৩১দা মোরেগী ইষ্টর্ন সাইন গ্রাউন্দদা হেলিপেদ শেমগৎপগী সোসল সর্ভিস তৌরিঙৈদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা এস দি পি ও চিংথাম আনন্দকুমারগী য়ূমদা ঙসি কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা চৎতুনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং উনদুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা নৎত্রবরা হংখ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## মোরেগী কানন ভেঙদগী কম্বেট য়ুনিফোর্মশিং ফাগৎখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৩১দা কুকি মিলিটেন্টশিংনা এস দি পি ও, সী ঐচ আনন্দকুমার নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা অমসুং থৌদোক অসিগী মতুংদা মোরে তম্না চঙশিনখিবা ষ্টেট ফোর্সতা এম্বুশ তৌরক্তুনা পর্সনেল অহুম শোকহনখ্রবা মতুংদগী মোরে টাউন য়াওনা চিংনবা মফমশিং কম্বাইন্দ ফোর্সনা লেপ্তুনা কোম্বিং ওপরেসন চথরকপদা কানন ভেঙদগী কম্বেট য়ুনিফোর্মশিং ফাগৎখ্রে হায়রি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

### সেকেন্দ এম আরদগী নোংমৈ মাঙখিবগী কেস

## কে আর এ অমসুং য়ু কে এল এফকী লুচিংবা ২না ইম্ফালদা চথরক্লিবা কেসকী ৱায়েল অসামদা ত্রান্সফর তৌবীনবা সুপ্রিম কোর্টতা হায়জখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা কুমজা ২০১৮দা ইম্ফালদা লৈবা অনীশুবা এম আরগী দি জি পুলগী আমর্স কোটতা থম্বা পোইন্ট ৯ এম এমগী পিষ্টোল ৫৬, মেগজিন ৫৮ হুরানখিবা থৌদোক্কী মতাংদা এন আই এনা চার্জশীট থাগৎলক্তুনা ৱায়েল চথরক্লিবা কেসতা চেন্নরিবা কে আর এগী লুচিংবা দেভিদ হংসিং অমসুং য়ু কে এল এফকী লুচিংবা লুনখোসোন হাওকিপনা কেস অসিগী ৱায়েল ইম্ফালদা চথবগী মহুত্তা অসামদা ত্রান্সফর তৌবীনবা সুপ্রিম কোর্টতা হায়জরকখ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা




### HL Poll

Q : Manipurgi tamthiraba Lan tha taruk faraklaba faobada Union leingakna khamdribana Manipurbu karisu leitana khalle haibada aranba wapham oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www. hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Law and order ngakpagi thabak Manipur leingakki thoudang oirabasu Union leingakna state governmentta mapung fana pipham thokpa powersing pidre haibada langadra?

Yes 43% No 57%

ওফিস ওফ দি
ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন
ꯈꯉꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা
তাং ০৩/১১/২০২৩

No. 6/IMC/PH&SS/22-23 :- ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা খঙহঞ্জরি মদুদি লাক্লিবা তাং ৭/১১/২০২৩ দগী NGOs শিংনা Dry-Waste অমদি Wet-Waste খাইদোক্তনা পুরকপা Mixed Waste শিং অদু Lamdeng Solid Waste Management Plant দা থাদবা য়াররোই।

Sd/- (K. Chandrakumar Singh)
Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation
HL-B/8359/04

### 'করপসন' গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

ওক্টোবর ৩০, ২০২৩দগী হৌরদুনা নবেম্বর ৫, ২০২৩ ফাওবা সেন্ত্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন (সী ভি সী) না শীন্দুনা লৈবাক শিনবা থুংনা ভিজিলেন্স এৱ্যেৰ্নেস ৱীক, ২০২৩ পাঙথোকপগা মরী লৈননা 'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ অমসুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

